# অহুমশুবা সঙাই ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি
## সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৪ঃ
য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ১৮ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থা ৩১ দগী চগ্থরকপা ৩ শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটারন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৯গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা কে এম ভি এফ এ কৈরক অমদি ভসাই থাং মৈবন্দ মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কে এম ভি এফ এ কৈরকনা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোকপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী কে এম ভি এফ এ কৈরকনা মখোয়গী চপ চাবা মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা শান্নরক্তুনা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোকপু অঙনবা মিনটশিংদগী প্রেসর পীশিনখি।

কে এম ভি এফ এ কৈরকনা চগ্থরকপা এটেক অমদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ ৱাই প্রিয়ো সিংহনা মেটচকী মিনট ১৮ চৎপদা য়াইরিপোককী গোল কিপ্পরবু তুংওইনরম্লগা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল অসিনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফতসু এ এম ভি এফ এ কৈরকনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা অহেনবা গোল হাপচিন্নবগীদমক অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা শান্নখি।

কৈরকনা হৌন্নবা লেপ্তুনা চগ্থখিবা এটেকশিং অদুগী ম৔হে ফংদুনা মেটচকী মিনট ৪৯ চৎপদা কৈরককী জর্সি নম্বর ৩ ঐচ রোজিটনা য়াইরিপোককী দিফেন্দশিংগী অহোবগী তঞ্জদা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্‌লগা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোন্দুনা সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

মেটচ অসিদা এন ইবুংঙৌ,এল গোকুলালনন্দা,ঐচ মহেস অমদি এল রোজিট মৈতৈনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিদেন্ট রেফরি ১,এষ্টিদেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ভসাই থাংমৈবন্দনা এফ ভি এফ এ উয়ুম্পোকপু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চগ্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী রেফরিনা ৱিন্নর দিসাইদ তৌন্নবা কিক ফোম পেনালটি মাক কাওন্নখি।

পেনালটি মাক অদুদা ভসাইগী কে খেলেন,এম বিমোলচান্দ অমদি কে ঐচ বোনোমালিনা গোলদা ওন্থোকখি। অদুগা এফ ভি এফ এগী দব্লিউ রনবির খক্লা গোলদা ওন্থোকপা ঙমদুনা মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসি এল রোজিৎ মৈতৈ ঐচ মহেস,এস ওনিল অমদি পি ঐচ লনথোইবনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিদেন্ট রেফরি ১,এষ্টিদেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৬ কী নুংথি পুং ৩ তবদা এস ঐচ দি ভি এফ এ সদর হিলস অমদি ফ্লাম ববুপরাগা শান্নগনি।

# এম সি এ রাজনিংথৌ য়ু–১৬ ট্রোফি ২০১৯
## য়ু সি সি উরিপোক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৪ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা ৱাই সি দব্লিউ ও গ্রাউন্দ শগোলবন্দ হৈনৌপোক অমদি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা চগ্থগদবা অহানবা এম সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি হৈনৌপোকপা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা য়ু সি সি উরিপোক মায় পাকখ্রে।



চগ্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা য়ু সি সি উরিপোকনা পি টি আর সি পার্টসোইবু রন ১৮ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা য়ু সি সি উরিপোকনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২১৯ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা পি টি আর সি পার্টসোইনা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২০১ লৌদুনা মেটচ অসি রন ১৮ দা মায়থিবা নংহৌখি।

য়ু সি সি উরিপোকগী বেট্টিংদা রাজ জিহিনা বোল ৫৬ দা রন ৬৪,অদীটিয়া প্রাসাটনা বোল ৫৯ দা রন ৬২,রোহিৎনা বোল ১৮ দা রন ২৩ অমদি অদীটিয়া রবিদাসনা বোল ৩০ দা রন ১৯ লৌখি।

ইন্নিংস অসিগী পি টি আর সি পার্টসোইগী বোল্লিংদা নিশিনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২,জয়রাজ,জোতিন অমদি লোয়ানা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং পায়খিবা পি টি আর সিগী বেটসমেনদা জোতিননা বোল ৬৩ দা রন ৬৮,রবি সাহুনা বোল ২৯ দা রন ৩৬,জয়রাজনা বোল ২০ দা রন ২১ অমদি রোহিৎনা বোল ৩৩ দা রন ১৭ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী বোল্লিং তৌখিবা য়ু সি সি উরিপোকগী রোহিৎনা ওভর ৬ দা ৱিকেট ২,রাজ গীরিনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২, অদীটিয়া প্রাসাটনা ৱিকেট ২,রোসন কুমার অমদি লোয়াবানা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা য়ু সি সি উরিপোকগী রন ৬৪ অমদি ৱিকেট ২ লৌখিবা রাজ গীরিনা তাখি।

হয়েং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি ওস্কার পাউনা বজারগা শান্নগনি।

# মণিপুর জুনিয়র গার্লস ফুটবোল টিম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেন্দরেসনগী মীৎয়েং মখদা মহারষ্ট্রগী কোলহাপুরদা থা অসিগী ২০দগী টিম ২৭ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্লা মে ১ ফাওবা পাঙথোকদৌরিবা হিরো জুনিয়র গলস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০গী মণিপুর ক্বার্টর ফাইনেল চঙদুনা থা অসিগী ২৬ দা জরখনগা শান্নগনি।

ঙসি কোলহারপুরদা শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী মণিপুরগী অরোইবা মেটচতা মণিপুরনা ট্রিপুরাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ নোংমৈকাপম শীবনিনা মিনট ৯ অমদি জর্সি নম্বর ৯ এস লীন্দা কোমনা মিনট ১৫ দা চনখি।

নিংশিংবা য়াই মদুদি মণিপুরগী অহানবা লীগ মেটচতা উত্তরখনবু গোল ৪–০ অদুগা অনীশুবা লীগ মেটচতসু মণিপুরনা গোৱাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীবখি।

মণিপুরগী টিম অসি ঙাংবম রুহিকন্তা সিংহনা কোচ অমদি এম খোমদোম্বী দেবীনা মেনেজর ওইদুনা টিম অসি লুচিংল্লি।

# অনীশুবা টি য়ু এফ সি ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ
টুলিহল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (টি য়ু এফ সি )না শিন্দুনা থা অসিগী ১৬ দগী টি য়ু এফ সি গ্রাউন্দা টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চগ্থরিবা অনীশুবা টি য়ু এফ সি ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি ৱাই পি ও তোপ অমদি সি এম সি চঙমদবী মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা টি ৱাই পি ও তোপনা পি আর এন সি পোইরৌবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা টি ৱাই পি ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৪ টি ঐচ সন্তোসনা মিনট ৯ দা চনখি ।

২৭শুবা মেটচ ওইনা কপ্রং এফ সি অমদি এস এম ৱাই সিনা শান্নগদবা মেটচতা কপ্রং এফ সি শান্নবা লাক্তবদগী এস এম ৱাই সিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

২৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা সি এম সি চঙমদবীনা অঙথা পপজি য়ুনাইটেদবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সি এম সি চঙমদবীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ অবোইনা মিনট ৬ দা চনখি।

২৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দা সুন্দর এফ সি অঙথা এফ এফ সি গোল ২ –২ দা দ্রো চৎখ্রে। সুন্দর এফ সিগী গোল ২দু জর্সি নম্বর ১০ এন নরেননা চনখি। অদুগা অঙথাগী গোল ২ দুনা জর্সি নম্বর ১১ বঙ্কানা চনখি।

# এফ সি লম্লাই ট্রোফি

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৪ঃ
এফ সি লম্লাইনা শীনল্লাগা লম্লাই ষ্টুদেন্ট আইদেল ক্লবনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ২১ দগী এল এস আই সি লম্লাইগী গ্রাউন্দা টিম ২৬ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চগ্থরিবা এফ সি লম্লাই ট্রোফি ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা শেক্তা (সি)না হিয়াই এফ সিবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শেক্তাগী গোলশিং অদু রেনোলনা গোল ৩,জোন্সন অমদি হেন্নরিনা গোল অমমম চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা এস ৱাই সি সিনা হিয়াই অচানবীগেবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোল অদু সনাজাউবনা চনখি।

অহুমশুবা মেটচতা ই য়ু এস সি তেলৌনা কোরৌঙানবা পাঙ্গেবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

৪শুবা মেটচতনা শেক্তা (বি) না দি এস য়ু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচতনা ৱাই ৱাই সিনা লম্লাই বিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

# তরামথোইশুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯
## সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এন ঐচ পি সি প্রাইভেট লিমিটেদ লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন ( অমোফা) মোইরাংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা মোইরাং মল্টিপ্রপস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দা চগ্থরিবা ১১ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা নেরোকা মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী মেটচতা নেরোকানা কে পি এফ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা এটেক চগ্থানখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৪৭ চৎপদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ২৪ টি ঐচ শরননা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। টিমগী অনীশুবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২০ টি ঐচ জোন্সনা মিনট ৬০ চৎপদা অদুগা অহুমশুবা গোল অদুনা মিনট ৬৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ২১ এন মঙলেমনা চনখি।

মেটচ অসি এস কেনীদি,টি ঐচ কিরনজিৎ,ৱাই লোঙসু অমদি কেঐচ রঞ্জিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিদেন্ট রেফরি ১,এষ্টিদেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৬ কী নুংথিল পুং ২ দা এস য়ু অমদি নিসাগা শান্নগনি।

# অহানবা রাজমনি নীংশিং হোক্কি টুর্নামেন্ট




ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ
মণিপুর হোক্কিগী মীৎয়েং মখদা ৱাই সি সি আই সি কোম্বা অহনলুপনা শীন্দুনা ইভূধৌ মরজিং গ্রাউন্দ কোম্বা অহনলুপ্তা থা আসিগী ২১ দগী নুপামচাগী টিম ৯ না গ্রুপ–২ অমদি নুপপীমচাগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চগ্থরিবা অহানবা য়ুম্নাম রাজমনি নিংশিং অন্দর ১৪ বোইজ অমদি অন্দর ১৬ গার্লস ৭ এ সাইদ হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা ফাম ইম্ফাল অমদি ৱাই সি সি আই সি (বি) কোম্বা অহনল্লুপ মায় পাকখ্রে। নুপীমচাগী মেটচতনা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌ মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

নুপামচাগী ৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিকবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ফাম ইম্ফালনা কে ঐচ এস সি (বি) খোংমনবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ফাম ইম্ফালগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৩ চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ মঙালসনানা মিনট ৮,জর্সি নম্বর ২ এন সনাতোননা মিনট ১৫ অমদি জর্সি নম্বর ৪ লমঙানবানা মিনট ১৮ দা গোল অমমম চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল ১ দুনা জর্সি নম্বর ৯ লাকপাটিনা মিনট ৩৫ দা চনখি।

নুপামচাগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা গ্রাউন্দা ৱাই সি সি আই সি (বি) কোম্বা অহনল্লুপনা মৈরা বাশিখোংবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই সি সি আই সি (বি) কোম্বা অহনল্লুপগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ সি ঐচ পুয়ামম্বা,মিনট ১৯ অমদি মিনট ২৪ দা জর্সি নম্বর ৫ এন কেনিদিনা গোল ২ চনখি।

নুপীমচাগী ৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌনা ৱাই সি সি আই সি (বি) কোম্বা অহনল্লুপনা গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৫ চনখি।

গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ টিঐচ তন্নুনা মিনট ১,৪ দা গোল ২,জর্সি নম্বর ৯ ঐচ বিদিয়ালক্সমিনা মিনট ৬,১০ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ১২ ঐচ শিলকিনা গোল ১ চনখি। অতোপ্পা গোল ৩ দুনা ২শুবা হাল্ফতা ঐচ বিদিয়া লক্সমি,টি ইরিখানবী অমদি টি রেনুনা চনখি।

# ফুটবোল্লর ১৬১না এপ্লাই তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৫ দগী চগ্থরকপা ইন্টর দিষ্টিক্ট ট্রান্সফর ২০১৯–২০গী ঙসি অরোইবা ১০ নি চনবা নুমিৎতা শান্নরোই ৬০ ট্রান্সফর এপ্লাই তৌদুনা পুন্না শান্নরোই ১৬১ শুখ্রে।

ঙসি এপ্লাই তৌখিবা ফুটবোল্লরশিং অদুদি–ৱাই এ সি ইম্ফাল ৱেষ্টতা–৬,য়ু কে বি সিসিপুরদা–৫,কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্টদা–৪,ক্লসা বিষ্ণুপুরদা–৪,এ এফ সি থৌবালদা–৪,এম পি এস সি ইম্ফাল ৱেষ্টদা–৪,ই এস য়ু ইম্ফাল ইষ্টদা–৩,এস এস য়ু ইম্ফাল ৱেষ্টদা–৩,এস এ কে ইম্ফাল ইষ্টদা–২,এন ই এস য়ু ইম্ফাল ইষ্টদা–২,ৱাই দি ওদা–২,১১ষ্টার আই ইদা–২,জি এস সি সিসিপুরদা–২, পময়ালদা–২,দি এম রাওদা–২, ৱাই ও এস সি,দি ও এ কে,ট্রকপু,নেরোকা অমদি ৱাই পি ঐচ য়ুদা ফুটবোল্লর অমমম নি।

# মিনি নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ
ভোল্লিবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মহারষ্ট্রাগী কোপরগাওন শীর্দিদা থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা চগ্থগদৌরিবা ২৭ শুবা মিনি নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসদা ঙসি শান্নখিবা মণিপুরগী নুপামচাগী টিম হরিয়ানগী মখুৎতা সেট ৩–২ দা মায়থিবা নংখ্রে।

নুপামচাগী অতোপ্পা মেটচতনা অন্ধপ্রদেসপু সেট ৩–০ (২৮–২৬,২৫–১৯,২৫–২২) দা মায়থিবা পীখি।

নুপামচাগী টিম অসি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

নুপীমচাগী শান্নখিবা মেটচতনা মণিপুরনা উত্তরখনবু সেট ৩–১ ( ২৫–৬,১৭–২৫,২৫–১৪,২৭–২৫ ) দা মায়থিবা পীখি।

# ইপূথৌ পুরৈরোম্বা কপ ২০১৯
## শেক্তা (বি) অমদি ও এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৪ঃ
ইষ্ট্রন লাইওন ক্লব (ই এল সি) নোংগদা অমদি ইষ্ট্রন য়ুনীক ক্লব (ই য়ু সি) কমেং অনীনা শীন্দুনা ই এল সি অমদি ই য়ু সিগী গ্রাউন্দা টিম ১৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৫ দগী চগ্থরকপা অহানবা ইপূথৌ পুরৈরোম্বা কপ ২০১৯গী ১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা শেক্তা (বি)না এন পি ৱাই সি চনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শেক্তা (বি)গী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৪ দা ভিম অমদি অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৪ দা হৈনৌনা গোল অমমম চনখি।

১৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ২শুবা গ্রাউন্দা ও এফ এ পুংদোংবমনা তোম্বা এফ সি লৈমাখোং মপালবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ও এফ এগী গোলশিং অদু মিলননা মিনট ৬,২৩,৩৫ অমদি ৪৬ দা চনখি অদুগা মায়থিরবা তোম্বা এফ সিগী গোল অদুনা টি ঐচ ঙান্থোইনা মিনট ৩৭ দা চনখি।

# অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি
## ৱাই এ দি এ (এ) ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ
কুম্বী আদর্শ য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (কে এ ৱাই ও) কুম্বীনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেশিক্তা কুম্বী কাংজৈবুংদা চগ্থরিবা অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি ২০১৯ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই এ দি এ (এ) মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি ৱাই এ দি এ (এ) কাঙশোইবী অমদি কে এ ৱাই ও কুম্বিনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা ৱাই এ দি এ (এ) কাঙশোইবীনা কে এ ৱাই ও কুম্বিবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৮ চৎপদা ৱাই এ দি এ (এ)গী জর্সি নম্বর ৭ সুজাকন্তনা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু মিনট ২৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ নাওবনা চনখি। অদুগা থংন্নবা মিনট ২৪ দা নাওবনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগী না অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা ৱাই এ দি এ(এ) কাঙশোইবীগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ সুজকান্তনা মিনট ৪৭ চৎপদা চনখি।

# ষ্টেটকী জীট কুনে–দো টিম হরিয়ানাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৪ঃ
এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া য়ুনির্ভসিটি,ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টসগী শেন্থং মখাদা থা অসিগী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা হরিয়নাগী রোহটকতা লৈবা মহারিশি ডয়ানন্দ য়ুনির্ভসিটি (এম দি য়ু) স্পোর্টস কম্পলেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল মার্সিয়েল আর্ট গেমস ২০১৯ দা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা জীট কোনে–দোগী প্লেয়র অমদি ওফিসিয়েলশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি সিঐচ জেনিল মৈতৈনা কেজি ৪২,এস প্রেমান্দনা কেজি ৫৪,এস জেক্সননা কেজি ৪৮,ওমনিভাস ওইনামনা কেজি ৫৪ মথক,আমরজিৎ শেরামনা কেজি ৫৩,এম লোয়াঙানবা ফ্রোম,খৌদাংনা কেজি ৬০,এ হরিদাস মৈতৈনা কেজি ৫৫ এফ / সি অমদি শিংমঙনিংনা কেজি ৬০ নি।

নুপীমচা শান্নরোইশিং অদুনা নিঙোললৈমা চান্নুনা কেজি ৩৪,এস সঞ্জিৎতানা কেজি ৪০,একে ওমিতানা কেজি ৪৬,এল অবেথোই চান্নুনা কেজি ৪৯ মথক,ঐচ দয়ানিনা কেজি ৫৫,আই ইন্দিরানা কেজি ৪৫,প্রিয়া লোইতমনা কেজি ৬৫ অমদি এস এম তবানু চান্নুনা কেজি ৬০ নি। টিম অসি এল বসন্তা সিংহনা টিম কোচ অমদি টিঐচ অচৌ সিংহনা টিম মেনেজর ওইনা লুচিংলি।


APOLLO TUTORIAL CENTRE

Admission Open For

SUMMER VACATION CAPSULE COURSE
Navodaya , K.V. & Sainik
XI Sc. & XII Sc.
CBSE & COHSEM

| Form Issue | Class Start | Class Timing |
|---|---|---|
| 20/04/2019 | 02/05/2019 | 11am- 3pm |

XII Sc. HSE-2019
COMPARTMENTAL CAPSULE COURSE
Phy/ Chem/ Bio/ Maths

| Form Issue | Class Start | Class Timing |
|---|---|---|
| 20/04/2019 | 2nd Week of May | 11am- 3pm |

Hostel Fee- Rs 4000/- only including Admission fee & Mess fee

8258013846
Both Boys & Girls
Under the guidance of Experience Teachers

For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com